# অহানবা দি জি এ আর অন্দর-১৯ মেন্স এন্দ ৱিমেন্স হোক্কী কপ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ৭ (ঐচএনএস):** ৪শুবা অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর হোক্কী অনীনা খূৎশম্নরগা ঙসিদগী হৌরগা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা অহানবা দি জি এ আর অন্দর-১৯ মেন্স এন্দ ৱিমেন্স হোক্কী কপ হৌদোকখ্রে।



ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা আই জি এ আর (সাউথ)কী মেজর জেনরেল রাভরুপ সিংহ, ৯শুবা সেক্টর এ আরগী বৃগেদিয়র অননয়া বোরাল, দিরেক্টর য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন, য়ুনাকো গ্রুপকী মেনেজিং দিরেক্টর এন ইরাবন্তা অমদি মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট খোইরোম লোয়ানা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা হান্নগী হোক্কী ওলিম্পিয়নশিং হরাউ তরাম্না ওক্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা আই জি এ আর (সাউথ) কী মেজর জেনরেল রাভরুপনা লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহা পূম্নমক তুংগী য়ূম্বীরেল ঙাক্তনি। লমদম অসিদা হৌরক্লিবা নহাশিং অফবা মায়কৈদা লমজিংবগা লোয়ননা মখোয়বু পীক্লিঙৈদগী হৌনা মপূং ফানা শেমগৎপীরবদি শুংশোয় শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি। লমদম অসিদা লৈরিবা নহাশিংদা তোপ-তোপ্পা হৈ-শিংবা অমদি তৌবা ঙম্বগী থৌনা য়াওরি। ইন্দিয়াগী ওইনা মণিপুরনা স্পোর্টসকী লম্‌দা মাংজিল থাবা ষ্টেট অমা ওইরি হায়বসি মীপূম খূদিংমক্না থোইদোক-হেন্দোক্না খঙনরবা ৱাফমনি। ষ্টেট অসিগী শান্নরোয় কয়ানা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মহুৎ শীন্দুনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরি। মসিমক্না লমদম অসিগী নহাশিংদা চপ চাবা থৌনা লৈ হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট লোয়ালাকপনা হায়, লমদম অসিদগী হোক্কী মশান্নগী ওইনা ওলিম্পিয়ন মশীং য়াম্না পুথোক্তুনা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা মাংজিল থানা চৎপা ঙল্লি। অদুবু লমদম অসিগী ওইনা স্পোর্টসকী চপ চাবা পোলিসি অমা থন্বীদবনা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টসকী দিসিপ্লিনশিং মপূং ফানা মায় পাক্নবা হোৎনবদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবগা লোয়ননা করিগুম্বা মতমদা নীংহন্নবা ফাওরক্তবসু নত্তে। স্পোর্টসকী বজেট ষ্টেট অসিগী ওইনা পীক্লা থম্বনা মরম ওইরগা হোৎনগদবা কয়াসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। লমদম অসিদা হোক্কী মশান্না অসিবু হেন্না য়োকখৎনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ন আর্মিনা অসিগুম্বা টুর্নামেন্ট অমা চহীগী কেলেন্দর প্রোগ্রাম ওইনা শীন্নবা হায়জরুবদা হরাউ-হরাউ য়ারকপা অসিমক ঐখোয়গী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়খি।

থা অসিগী ১৫ ফাওবা চত্থগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা নুপা টিম ১১, নুপী টিম ৬ পূন্না টিম ১৭না শরুক য়ারি। ঙসি অহৌবা নুমিৎকী ওইনা শান্নখিবা নুপাগী অহানবা লীগ মেটচতা কে ঐচ এস সী খোংমননা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপপু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১১-০দা মায়থীবা পীখি। কে ঐচ এস সীগী পাঞ্জলশিং অদু লিশম মেক্সনা ৩, এল হরিশনা ৩, এন জেরিকনা ২ অদুগা দল্লিয়ু পাইখোম্বা, এস চলাম্বা অমসুং বোরিশনা অমমম্ চনখিবনি।

অদুগা আইদিএল ক্লব তেরা বজার অমসুং থৌবাল হোক্কীগী মরক্তা শান্নখিবা নুপীগী অহানবা মেটচতনা আইদিএল ক্লবনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকপা ঙমখি। নুপাগী অনীশুবা মেটচ ওইনা টি দল্লিয়ু সী তৌবুংখোক অমসুং থৌবাল হোক্কীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টি দল্লিয়ু সী তৌবুংখোকনা থৌবাল হোক্কীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

# কানখু এথলেটিক এফ সী থোইদুনা চীংখু ৱাই সীনা ৱিন্নর ওইখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ৭ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেল অমসুং ২১শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফলস অনীনা খূৎশম্নদুনা হৌজিক-হৌজিক চান্দেলদা লৈবা জয়োন্টলাং শান্নবুংদা চত্থরিবা লেট সিপোই সী আর নিকোলাস মোয়োন মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা চীংখু ৱাই সীনা কানখু এথলেটিক এফ সী মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অমনা অমবু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙম্নবা মখোয়গী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উথোক্তুনা শান্নখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।


অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্না পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নখিবনা মরম ওইরগা মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মদুগী মতুং পেনাল্টি কাওনখিবদা চীংখু ৱাই সীনা পাঞ্জল ৬-৫দা কানখু এথলেটিক এফ সী মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট গোলকীপরনা চীংখু ৱাই সীগী ইভাননা তাখি।

# রোক্সন অমসুং এলি খল্লক্লে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ৭ (ঐচএনএস):** ইন্দিয়ানা য়ূম্থু ওইদুনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৩দগী হৌরগা ১৯ ফাওবা দেল্লীদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী নেশনল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা ৱর্ল্ড কপ খো-খোদা শরুক য়ানবা ইন্দিয়ন খো-খো কন্টিঞ্জেন্ট শেম্নবগীদমক চত্থগদৌরিবা নেশনল কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী শান্নরোয় অনী খল্লক্লে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএশননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেশনল কোচিং কেম্পকীদমক খল্লকখ্রবা শান্নরোয় অনী অদুদি অৱাং সেকমাইদগী এস রোক্সন অমসুং ৱাইরি ময়াই লৈকাই শওম্বুংদগী এন এলিনি। মখোয় অনীমক মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম মধুসুদোননা খাঙবোক্তা লৈবা এসোসিএশন অসিগী ওফিসতা তরাম্না ওক্তুনা য়াইফ থৌজাল পীখ্রে। মখোয় অনী থা অসিগী ৯দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1329**

**WIM Michal Lahav (2193) - WGM Shri B Savitha (2348)**
**28th ECC Women 2024 Vrnjacka Banja SRB, 2024.10.21**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.Nc3 d5 | 3.Bg5 c5 | 4.e4 Nxe4 |
| 5.Nxe4 dxe4 | 6.dxc5 Qa5+ | 7.c3 Qxc5 | 8.Qa4+ Bd7 |
| 9.Qxe4 Bc6 | 10.Qg4 Nd7 | 11.Be3 Qa5 | 12.Nf3 Nf6 |
| 13.Qh3 e6 | 14.Be2 Be7 | 15.O-O O-O | 16.Bd4 Be4 |
| 17.Ne5 Qc7 | 18.Bd3 Bd6 | 19.Bxe4 Bxe5 | 20.Bxe5 Qxe5 |
| 21.Bd3 Rad8 | 22.Rfe1 Qc7 | 23.Rad1 Rd5 | 24.Bc2 Rfd8 |
| 25.Qe3 g6 | 26.Rxd5 Rxd5 | 27.Bb3 Ng4 | 28.Qh3 Qf4 |
| 29.f3 Re5 | 30.Qh4… | | |

**QUESTION :** Black to checkmate

**Puzzle 1328 Solution :**

**33. …Qh1+ 34. Ke2 Qxg2+** The black queen captures White's pawn, which was defending the square f3. Opening the line from f8 to f2. **35. Nxg2**
35.Ke1 Qf2#
**35. ...Rf2+** The black rook attacks White's king, which is defending the square f3. **36. Ke1 Nf3#**
**0-1**

# চহীগী ওইবা স্পোর্টস মীট লোইশিনখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ৭ (ঐচএনএস):** নুমিৎ নীনি চুপ্পা চত্থরকখিবা আই পি এস কাঞ্চিপুরগী ২৩রক শুবা চহীগী ওইবা স্পোর্টস মীট ঙসি লোইশিনখ্রে হায়না আই পি এস স্কুলগী হেদমাষ্টর কে হেনরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।



চেরোল অসিনা হায়, শান্নবা য়াওদনা মহৈ-মশিন মপূং ফাদে অমসুং মহৈ-মশিন য়াওদনা শান্নবগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়বা ৱাফমসিদা য়ূম্ফম ওইরগা পাঙথোকখিবা চহীগী ওইবা স্পোর্টস মীট অদুদা মিটর ১০গী শুটিং ইভেন্টশিং পাঙথোকখি। শুটিং ইভেন্ট অদুদা এয়র পিষ্টোল অমসুং রাইফল অনীমক য়াওরি। ঙসি পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মকোক-মথং তাথ্রবশিংদা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি অমদি আই পি এস বোর্দিংদা লৈবা নুপীমচাশিংনা হেল্থ এদ্যুকেশনগী মনুং চন্না জুম্বা অমসুং এরোবিক্স উৎখি হায়রি।

PENSION LOAN AVAILABLE / EMPLOYMENT NEWS

# Manipur State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5% p/m, 2% p/m, 2.5% p/m গী Interest তা Loan গী খূদোংচাবা পীজরি।

# Employment গী ওইনা Office Asst. 2/W-Mechanic, Car Wash Helper, Chicken/Poultry Centre গী মী (Boy) 2/2 পামজৈ।

Please Contact :
M.M. Singh
L.G. Building
Khagempalli Huidrom Leikai,
Imphal West, Manipur
# 8414081916

HL-B/9181/30/11,1, 2, 4, 6, 8, 10, 12/12



Title : Akaja
By : L. Aldan Singh
Class : II Roll No. : 26 Sec. :
School : Maheilen Education Centre



Title : Anime Girl
By : Ayekpam Rani Devi
Class : V Roll No. : 5 Sec. : A
School : Paree Imom Sindam Sang High School, Langjing



Title : Apple
By : Bharnabas Kshetrimayum
Class : UKG Roll No. : 22 Sec : Diamond
School : Heritage Convent, Uripok



Title : Scenery
By : Bachaspatimayum Dania
Class: IV Roll No. : 7 Sec. :
School : Promising Kids Academy



Title : Fighter Jet
By : Jefferson Sarangthem
Class : II Roll No. : 34 Sec. : A
School : Ramakrishna Mission School



Title : Happy Diwali
By : Soubham Joyshree
Class : III Roll No. : 2 Sec : A
School : Wangkhei High School



Title : Salai Taretki Phiral
By : Yendrembam Kunjan Devi
Class : VI Roll No. : 2 Sec. :
School : Ananda Purna School of Science



Title : Night Scenery
By : Lamnganbi Thingujam
Class : III Roll No. : 33 Sec. : C
School : Nirmalabas Junior School



Title : Butterflies
By : Naorem Lanchenbi
Class : VII Roll No. : 3 Sec. : A
School : Maheilen Education Centre




Title : Multi Storey House
By : Leannah Irom
Class : Pre Nur-B Roll No. : Sec. :
School : The Kidz Campus School



Title : Flowers
By : Thingujam Lingjenthoi
Class : VIII Roll No. : 53 Sec. : Jade
School : Heritage Convent School



Title : A Crow on a pot
By : Loiyumba Leichombam
Class : III Roll No. : 25 Sec. : A
School : Don Bosco High School, Langjing



Title : Scenery
By : Lucky Karmakar
Class : IV Roll No. : 2 Sec :
School : Promising Kids Academy



Title : The Violence of Manipur
By : Nganthoi Devi Takhellambam
Class: IV Roll No. : 6 Sec. :
School : Promising Kids Academy



Title : Inosuke Hashibira
By : Aribam Purnachandra
Class : V Roll No. : 25 Sec. : A
School : Maheilen Education Centre, Haotal, Pangei



Title : Melody Friend
By : Kh. Rashita
Class : V Roll No. : 10 Sec. :
School : The Standard Public School



Title : School Van
By : Shaknaiba Kshetrimayum
Class : Nursery Roll No. : 9 Sec. : A
School : Prince Unique Foundation, Canchipur



Title : Troll Face
By : Ayekpam Sushilkumar
Class : V Roll No. : 8 Sec. : C
School : St. Joseph Higher Secondary School



Title : Dolphin
By : Taibangnganba
Class : II Roll No. : 25 Sec. :
School : Maheilen



Title : Anime Girl
By : Thoiinou Thokchom
Class : IV Roll No. : 1 Sec. :
School : LMMEA, Kongba

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com